# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL,MONDAY, FEBRUARY 20, 2017 PAGE 7



*ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী টিম অমা ওইরিবা রাইজিং পুনে সুপরজাইন্টস হান্না কেপ্টেন ওইরম্বদগী ফম লৌথোকখ্রবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনি*

*বিনোস আইরেস সহরদা পাংথোকপা আর্জেন্টিনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা জপানগী শান্নরোই কৈ নিশিকোরি*



## তরেৎশুবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

*ইম্ফাল,ফেব্রুবারী ১৯ঃ*

তরেৎশুবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসি মপাল কাংজৈবুংদা হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি মণিপুর হোর্স রাইদিং অমসুং পোলো এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ৫৭ শুবা মাউন্টেন দিভিজন্না স্পোন্সর তৌবনি।

ঙসি পাংথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মেজর জেনরেল য়ু সুরেস কুমার (ৱাই এস এম বি এস এম ), জিও সি ৫৭ শুবা মাউন্টেন দিভিজন্না চিফ গেষ্ট ওইখি। মণিপুর ইক্বেষ্ট্রিয়ান এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ডাঃ এস জয়কুমার সিংহ না প্রসিদেন্ট ওইরগা ব্রিগেদিয়র এস কে এস চৌহান দিপ্যুটি জি ও সি ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন, ব্রিগেদিয়র জে এস বংসলা, কম্মন্দার ৯ সেক্টর অসাম রাইফলস অমসুং ডাঃ ঐচ চাওবা সিংহ দাইরেক্টর ভেটিনিনরি এন্দ এনিমেল হাভেন্দ রি সভিসের্সনা গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইখি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ১৪ সিখ রিজিমেন্টকী ফজরবা বঙ্গ্রা দাস উৎখি। শগোল তোংবশিংনা মার্চ পাষ্ট চৎখিবা, বেন্দ পাটিগী ফজরবা পর্ফোমেন্স অমসুং শরুক য়ারিবা টিমশিংগী লিদরশিংনা ৱাশক লৌবগী থৌরম্না মপুং ওইখি।

মণিপুর হোষ্ট রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী ফিরাল চিংখৎপা অমদি টুর্নামেন্ট অদু হৌদোকলে হায়না লাউথোকপগী মতাংদা চিফ গেষ্ট ওইখিবা মেজর জেনরেল য়ু সুরেস কুমারনা ফোংদোকখিবদা টুর্নামেন্ট অসি মণিপুরগী শগোল কাংজৈ হায়না মমাংঙৈদগী শান্নরক্লবা মশান্না অসি হেন্না চাওখৎনবা হোৎনবনি।

মালেমদা মণিপুরনা পোলো মশান্না খুদোল তমখিবনি। মমাং ঙৈদা মশান্না অসি নিংথৌশিংগী মশান্ননি হায়না লৌরম্বদগী পোলো মশান্নশিংগী নিংথৌ ওইরক্লে হায়না চিফ গেষ্টনা মখা তানা ফোংদোক্লদুনা টুর্নামেন্ট অসিনা মণিপুরগী শগোল পোনিবু কনবগী খোঙথাং অমনি। লোয়ননা ষ্টেট অসিদা তংদু-লৈতাবা, নুংশি-চান্নবা অমসুং চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইনবনি হায়খি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব (এ) না এম পি এস সি (সি) বু পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থিবা পীখি।

## আর্চরিদা মণিপুরনা গোল্ড মেডল ৩, সিলভর মেডল ২, ব্রোঞ্জ মেডল ১ ফংখ্রে

*ইম্ফাল,ফেব্রুবারী ১৯ঃ*

থা অসিগী ১৬ তগী রজষ্টানগী জয়পুরদা স্বাই মান্সিং ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা খেল্লো ইন্দিয়া নেসনেল লেবেলগী চহী ১৪ অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগী জুদোদা মণিপুরনা গোল্ড মেডল ৫, সিলবর মেডল ২, ব্রোঞ্জ মেডল ৩ লৌদুনা পূন্না গোল ১০ লোয়ননা জগতপুরা আর্চরি রেঞ্জ জয়পুর রজাষ্টানদা চথরিবা চহী ১৪ অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপীমচা অমসুং নুপামচাগী আর্চরিদা মণিপুরনা গোল্ড মেডল ৩, সিলবর মেডল ২, ব্রোঞ্জ মেডল ১ ফংবা ঙমখ্রে।

জুদোগী চহী ১৪ মখাগী নুপমচাগী জুদোদা মণিপুরগী ঐচ রিসিকান্তনা কেজি ৩০ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড, ৱাই য়োইহেনবা সিংহনা কেজি ২৫ গী কাঙলুপ্তা সিলবর অমদি এল বাবুমচা মৈতৈনা কেজি ৪০ গী কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

চহী ১৪ মখাগী নুপীমচাগী কাঙলুপ্তা এন মতৌ চনুনা কেজি ২৭কি কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ অমদি এন রোসিবিনানা কেজি ৩৬কি কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ ফংখি।

নুপামচাগী চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপ্তা ঐচ কেশোরজিৎনা কেজি ৫০ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড অমদি এনকে সোমোরজিৎনা কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড ফংখি।

চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী কাঙলুপ্তা এল নুংশিথোই চনুনা কেজি ৩৬কি কাঙলুপ্তা গোল্ড, টিঐচ তবাবীনা কেজি ৪৪গী কাঙলপ্তা গোল্ড ফংখিবগা লোয়ননা অসেম নিসিতা দেবীনা কেজি ৪০ গী কাঙলুপ্তা সিলবর মেডল ফংখি। আর্চরিগী চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী ওভর ওল ইন্দিভিজুয়েলদা কে বোরিসনা মিটর ৩০ গী ডিসটেন্সতা পোইন্ট ৩৪১ অমসুং মিটর ২০ গী দিষ্টেন্সতা পোইন্ট ৩৪২ কাপ্পুনা পূন্না পোইন্ট ৬৮৪ স্কোর তৌদুনা ওভর ওল ইন্দিভিজুয়েলগী গোল্ড ফংখি। ই রোবিন্সন মৈতৈনা মিটর ৩০ গী ডিসটেন্সতা পোইন্ট ৩৩২ অমসুং মিটর ২০ গী দিষ্টেন্সতা পোইন্ট ৩৪১ কাপ্পুনা পূন্না পোইন্ট ৬৭৩ স্কোর তৌদুনা ওভর ওল ইন্দিভিজুয়েলগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী কাঙলুপ্তা ও রোসননা মিটর ৩০ গী ডিষ্টেন্সতা পোইন্ট ৩২৩ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল অমদি মিটর ৪০ গী ডিষ্টেন্সতা পোইন্ট ৩৩০ স্কোর তৌদুনা সিলবর মেডল ফংখি।

চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী কাঙলুপ্তা ৱাংখেম মলেশোরি দেবীনা মিটর ৩০ গী ডিষ্টেন্সতা পোইন্ট ৩১৬ স্কোর তৌদুনা গোল্ড অমদি মিটর ৪০ গী ডিষ্টেন্সতা পোইন্ট ৩২৭ স্কোর তৌদুনা সিলবর মেডল ফংখি।

## কাটার ওপনগী নুপীগী দবলসতা য়ু এস এ গী এবিগেল স্পেয়রস অমসুং স্লোবেনিয়াগী কাতারিনা স্রেবোটনিক্না টাইটল লৌখ্রে



*ক্বাটারো ওপন টেন্নিসকী নুপীগী দবলসকী টাইটল ফঙখ্রবা য়ু এস এ গী এবিগেল অমসুং কাতারিনা স্রেবোটনিক*

*দোহা,ফেব্রুবারী ১৯ঃ*

য়ু এস এ গী এবিগেল স্পেয়রস অমসুং স্লোবেনিয়াগী কাতারিনা স্রেবোটনিক্না দোহাদা শান্নবা ক্বাটার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখ্রে।

এবিগেল স্পেয়রস অমসুং কাতারিনা স্রেবোটনিক্না ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা য়ুক্রেনগী ওর্গা সাবচুক অমসুং কজাক্সতানগী য়ারারা স্বেদোবাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৭-৬ (৯-৭) দা মায়থিবা পীদুনা দবলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা য়ু এস এ গী স্পেয়রস অমসুং স্রেবোটনিক্না ইন্দিয়াগী জুরা সানিয়া মির্জা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বারবোরা ষ্ট্রাইকোভাবু সেট ২-১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা সানিয়া অমসুং বারকোভা টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা সিদেদ জুরা ওইরিবা য়ু এস এ গী এবিগেল স্পিয়রস অমসুং স্লোবেনিয়াগী কাতারিনাগা পুং ১ গী মিনট ১০ হেন্না চঙনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা সানিয়া অমসুং বারকোভাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌখিবদগী ৩-৬ তা সেট অমা শোৎথখি।

অনীশুবা সেটতা ইন্দিয়া অমসুং জেক রিপব্লিক্কী জুরা অদুনা ফজবা হেল্লকপদগী মখোয়না য়ু এস এ অমসুং স্লোবেনিয়াগী জুরা অদুগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-১ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদু সুপর টাইব্রেক্তা লম্বা য়েংন্নরকখি। মদুদা গেম ১০ য়ৌবা হান্বা জুরানা মায় পাক্কদবনি। জুরা অনীমক য়াম্না কান্না ইন্নদুনা শান্নরকখি।

গেম ৮-৮ ফাওবা লৈরম্বদগী য়ু এস এ গী এবিগেল স্পিয়রস অমসুং সোবেনিয়াগী কাতারিনা স্রেবোটনিক্কী জুরানা থংনবা পোইন্ট ২ লৌদুনা ১০-৮ দা থোইবদগী ফাইনেল য়ৌখিবনি।

ঙরাংগী ফাইনেলদা য়ু এস এ অমসুং স্লোবেনিয়াগী জুরা অদু মায়থিবা পীরম্বা ওর্গা অমসুং য়ারারা স্বেদোভানা মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচতা চাইনিস টাইপেগী ৱাই জে চান্দ অমসুং স্বিজলেন্দগী মারটিনা হিঙ্গিসপু ৩-৬, ৬-২, ১০-৬ তা মায়থিবা পীরম্বনি।

ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা এবিগেল স্পেয়রস অমসুং কাতারিনা স্রেবোটনিক্না য়ুক্রেনগী ওলগা সবচুক অমসুং কজাক্সতানগী য়ারারা স্বেদোবাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদু টাই ব্রেক্তা স্পেয়রস অমসুং স্রেবোটনিক্না ৯-৭ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

## কংলৈ মেগা স্পোর্তস ফেস্তিভেল পাঙথোক্লগনি ঃ এম লক্সন

*ইম্ফাল,ফেব্রুবারী ১৯ঃ*

কংলৈপাক স্তুদেন্তস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা চহী খুদীংগী পাঙথোকপগুম চহী অসিগী ওইনা কংলৈ মেগা স্পোর্তস ফেস্তিভেল মার্চ ১১দগী হৌদুনা ১৬ ফাওবা চথরগনি হায়না কে এস এগী প্রসিদেন্ত এম লক্সমন্না ফোঙদোকখ্রে। ঙসি তিদিম লম্বী, ইম্ফালদা লৈবা কে এস এগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, চহী খুদীংগী এসোসিয়েসন অসিনা শীন্দুনা ফেস্তিভেল অসি স্তেতকী থাক্তা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ফেস্তিভেল অসি মল্টি দিসিপ্লিন্নরি মেগা স্পোর্তস তুর্নামেন্ত অমা ওইনা য়াওশঙগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। মসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা পান্দমদি নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লিবা খুনাই অসিগী শক্তম মরু ওইনা নহা ওইরিবশিংনা নিশাগী ঈপাক্তা তাওদুনা খুনাই অসিবু তিন চঙবা খুনাই অমা ওইহল্লকপা য়াবগী ফীবম অমা ওইরক্লিবা অসিদগী কলহৌনবা পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়খি।ফেস্তিভেল অসি লমদম অসিগী য়েলহৌ মশান্নশিংদা হেন্না মিৎয়েং থমদুনা পাঙথোকপনি। মসিগী মনুংদা ওল মণিপুর ফুতবোল এসোসিএসনগা খূৎশন্নরগা চহী ১৭ মখাগী ওইবা কংলৈপাক ফুতবোল ত্রোফী, এথলেতিক এসোসিয়েসন মণিপুরগা খূৎশন্নরগা কংলৈপাক মরাথোন রেস (মেনস ওপন), মণিপুর কাং এসোসিএসনগা খূৎশন্নরগা কংলৈপাক কাং ত্রোফী, ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসনগা খুৎশন্নরগা কংলৈপাক চৈবী য়েন্দন্নবা, ইন্তর জে এস সি সি ত্রোফী অমসুং হুইয়েন লালোং থাং তাগা খূৎশন্নরগা কংলৈপাক থাং তা চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্কনি ।

## ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু ৱিকেট ৭ তা থোইদুনা আই সি সি ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়রগী ফাইনেল চঙখ্রে



*পাকিস্টানবু মায়থিবা পীদুনা আই সি সি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়রগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী হরাওরিবা শান্নরোইশিং*

*কলম্বো,ফেব্রুবারী ১৯ঃ*

শ্রিলঙ্কানা য়ুম্মু ওইরগা চথরকপা আই সি সি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা ঙসি ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী তোচ ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা পাকিস্টানগী শান্নরোইশিংনা ওভর ৪৪ গী মরিশুবা বোলদা বেটচৱুমেন ১০ মক আউত ওইরগা শুপ্নগী রন ৬৭ খক লৌখি। ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী বোল্লর একটা বিষ্টনা ওভর ১০ লংবদা রন ৮ খক পীরগা ৱিকেট ৫ লৌরগা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

টিমমেট সিখা পাদেনা ৱিকেট ২ অদুগা দিপটি শর্ম্মা দেবিকা বাইদেয়া অমসুং হরমনপ্রিট কোরসু ৱিকেট ১-১ লৌবা ঙমখি।

পাকিস্টানগী মাইকৈদগী মখোয়গী ইন্নিংস অদুদা ওপন্নর আয়েসা জফরনা রন ১৯ লৌরমবা অদুগা মরিশুবা বেটচৱুমেন ওইখিবা বিসমা সরুপ্না রন ১৩ লৌখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা শান্নরোইশিংদি রন ৪ য়ৌবা অমত্তা লোইনমক আউত ওইখি।

মায় পাক্কবা রন ৬৮ লৌগদবা অদু ইন্দিয়াগী টিমদা ৱিকেট অহুমখক তুরগা রন ৭০ লৌখিবদগী মেটচ অদু ৱিকেট ৭তা মায় পাকখি।

ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী ওপন্নর দিপটি শর্ম্মা অমসুং হরমনপ্রিটকোরনা মথংশিংনা রন ২৯ অমসুং ২৪ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজখি।

## লিৱানদোস্কীগী পাঞ্জলনা মায়থিরমগদবা বেয়র্ন ম্যুনিকপু কনখ্রে

*বরলিন,ফেব্রুবারী ১৯ঃ*

জর্মনিগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব ওইরিবা বুন্দেসলিগাগী ২১ শুবা রাউন্দগী মকোক থোংবা টিম ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী লিৱানদোস্কীনা চনখিবা পাঞ্জলনা হরথা ব্রলিনগা শান্নবা মেটচ অদু কনবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী ২১ শুবা মিনটতা হরথা ব্রলিনগী মায়কৈদগী বেদাদ ইবিসেভিসনা ঙন্না পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা বেয়র্ন ম্যুনিকপু মখোয়না মাংজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লবা ফাওবদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৪৫ লোইশিলমদাই ফাওবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মাইকৈদগী ইক্যুলাইজর অদু থিবা ঙমদনা লৈরকখিবনি।

অদুবু শান্নবগী অরোইবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী ষ্ট্রাইকর লিৱানদোস্কীনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মায়থিরমগদবা তাঞ্জা অদু চনবা ঙমখি।



*অরোইবা মীকুপ্তা ইক্যুলাইজর চনবা ঙমখিবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী ষ্ট্রাইকর লিৱানদোস্কী*

দ্রো অদুনা মরম ওইরগা লীগ অসিদা বেয়র্ন ম্যুনিক্না পোইন্ট ৫০ ফঙদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা রাসেলবোলস্পোট লৈপজিক্না শান্নখিবা মেটচ অমদা লৈপজিক্না পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা লীগ টেবলদা লৈপজিক্কী টিম অসি মেটচ ২১ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৪৫ ফঙলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদনা বোরুসিয়া দোটমুন্না ৱোফসবর্গপু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীরগা পুন্না পোইন্ট ৩৭ ফঙলগা লীগকী অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

## বি সি সি আইগী জেনরেল মেনেজর আর পি শাহ ফম থাদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি,ফেব্রুবারী ১৯ঃ*

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেত ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) গী জেনরেল মেনেজর অহুম লৈরিবদুগী মনুংদা অমা ওইরিবা আর পি শাহ মহাক্কী ওইরিবা চহী তানফন্না মরম ওইরদুনা মাগী পায়রিবা ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে।শাহ কম্মর্সিএলগী জেনরেল মেনেজর ওইরম্বনি অমসুং বোর্দকী কম্মর্সিএলগী থবক থৌরমদা য়াওবা মশক নাইবা দিসিজন মেকরশিংগী মনুংদা অমনি লৌনরম্বনি।বি সি সি আইগী মনুংদা খরনা শাহগী ফীরেপ অদু কমিতি ওফ এদমিনিস্ত্রেতর্স (সি ও এ) না বোর্দকী থবক থৌরম অমমমতা অমদি কাচিন কোয়া ফাক্তুনা য়েংশিল্লকপা অদুদগী লৌখিবনি হায়না লৌনরিঙৈ তাল্লকসিদা, শাহনা মাগী রিজাইন তৌবগী ফীরেপ অদুদি থা মরিগী মমাঙদা লৌদুনা লৈখ্রবা লনাই ওইবা শেংলবা ফীরেপনি হায়না ফোঙদোকখি।'হোয়, ঐহাক ঐগী ফমদগী রিজাইন তৌরে। মসিগী মরমদি ঐহাক চহী ৬১ শুরে। ঐনা ফীরেপ অসি ওক্তোবর থাদা লৌখিবনি। ঐহাক পুনেদা লৈবনি অমসুং মুম্বাইদা চাংনাইনা লাকথোক লাকশিন তৌবদা তশেংনা মথৌ য়াম্না চিলহল্লি। ফীরেপসি লৌবদা তকশিল্লকপা অমত্তা লৈতে নত্রগা সি ও এগী মায়কৈদগী মরম হংলকপসু লৈতে। ঐহাক সি ই ও রাহুল জোহরি অমসুং সি এফ ও সন্তোশ রাগনেকরগা অফবা মরী লৈনরি। রাহুলনদি ঐবু মখা তানা থৌ পুবা পামই অদুবু ঐহাক্না মঙোন্দা ঐবু ফম থাদোকপদা য়াবিনবা হায়জখি' হায়না শাহনা মহাক্কী রিজাইন তৌবগী ৱারোলদু ময়েক শেংনা থমখি ।অতোপ্পা জেনরেল মেনেজর (কম্যুনিকেসন্স এন্দ কো-ওর্দিনেসন) অম্রিত মাথুর মশাগী চহী ৬০ ফারদুনা মশানা পোথাবগী মতম য়াজরে হায়দুনা ২০১৬ গী দিসেম্বরদা রিতয়ার তৌখ্রগা শাহ অমসুং অতোপ্পা জেনরেল মেনেজর (গেম দিবলপমেন্ত) রত্নাকর শেত্তিনা পোথাবগী মতম চহী ৬০ হেল্লবা অসিদা মখা তানা থবক তৌখো মতৌ করন্না হায়রিবনো হায়বসিদা ৱাহং কয়া থোরকহল্লে।'ঐদি অতৈশিংগী মরক্তা থোইদোক্লা খঙদে অদুবু ঐগী ইমপ্লোইমেন্ত কন্দিসনন্না পোথাবগী চহী অসি চহী ৬০ নি হায়রি। মদুগী মতুং ইন্না, ঐহাক দিসেম্বর থাদা পোথাজখিবনি' হায়না মাথুরনা ফোঙদোকখি।আর পি শাগী মিং অসি মতম অদুগী বি সি সি আইগী ইন্দিবিজুএলগী মরমদা থিজিন্নবা হাপখিবা জস্তিস (রিতয়র) এ পি শাহবু মহাক্কী মথক্তা কনফ্লিক ওফ ইন্তরেস্তকী ৱাকৎ লাকপদগী খনখিবনি।শীখিবা মরালদুদি মহাক অসি মখোয়গী মকোক থোংবা লুচিংবনা হান্নগী বি সি সি আই সেক্রেতরি অজয় শিরকিনা ওইবা কন্সত্রক্সন কম্পেনি বি জি শিরকি কন্সত্রক্সনগী দিরেক্তরনি অসিনি। বি জি শিরকি কন্সত্রক্সন অসি মুম্বাই ক্রিকেত এসোসিএসনগা প্রোফেসনেল রিলেসনশিপ অমা লৈনবনি। জেনরেল মেনেজরশিংগী মনুংদা অমা পোথাখিবা অমসুং অতোপ্পা অমনা রিজাইন তৌখিবগা লোয়ননা লেমহৌরিবা জেনরেল মেনেজর অনী অদুদি চহী ৫০ ফারকপা ঙাইরিবা ক্রিকেত ওপরেসন্স ইন চার্জ এম ভি স্রীধার অমসুং গেম দিবলপমেন্ত ৱিংগী শেত্তিনা ওইহৌরে। আই পি এল স্পোত ফিক্সিং কেসতা অহানবগী পেতিসনর ওইখিবা অদিত্য ভরমানা, মতৌ করন্না শেত্তিনা মুম্বাই ক্রিকেত এসোসিএসনগী তোঙান তোঙানবা ফমশিংদা চহী মাপন হেন্না মপূং ফানবা থৌ পুরমখ্রগা কুলিং-ওফ (তর্ম অমা লেপহনবা) পীদ্রিবনো হায়বা ৱাহং অমা হান্নগা পুখৎলকখিবা লৈখ্রবনি।